# সনাৈলেবাক স্পোর্টস

TUESDAY, APRIL 29, 2014, PAGE 7




ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর গোল্ফতা ৱিন্নর ওইখ্রবা অনেরবান লাহিরিনা ট্রোফি লৌখিবা

লণ্ডুন কম্মনৱেলথ গেমসকি শান্নরোই খনবদা নীয়ম কায় হায়না পেন্দবা ফোঙলিবা পেস



# ফ্রেন্সনা ৱার্ল্ড কপ্তা য়াওবসি হন্দক্কি অসি থারগা ১৪ রক শুবা ওইগনি



*রিও দি জান্দেরো, এপ্রিল ২৮ঃ*

ফ্রেন্স ইং ১৯১৯ দা লৈবাক অসিদা ফুটবোলগী ঈহৌ কনখৎলক্তুনা লৈবাক অসিগী ওইবা ফুটবোলগী বোদি অমা শেন্লগসু মসি শেমদ্রিঙৈগী মমাঙদগী হৌনা ফিফাদা এফিলিয়েট তৌরবা লৈবাক অমনি।

ফিফাদা এফিলিয়েট তৌবসি ইং ১৯০৪ দা তৌখি। ঙসি ফাওবদা লৈবাক অসিনা ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াবসি হন্দক ব্রাজিলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ অসি থারগা ১৪ রক শুবা ওইগদৌরিবনি। মসিগী মনুংদা লৈবাক অসিনা ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াবদা চেম্পিয়ন ওইখিবনা মখোয়গী লৈবাক্তা অনীরকশুবা ওইনা ৱার্ল্ড কপকি য়ুম্ব ওইদুনা পাঙথোকখিবা ইং ১৯৯৮ গী ৱার্ল্ড কপ অদুদনি।

ফ্রেন্সকি টিমদা পৃথিবীগী মীয়াম্না মশক খঙনা ফাওখিবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফবা ওইনা খন্নখিবসি জজ ফোর্চুরন, মাইকেল প্লাটিনি অমদি ফ্রেন্সনা ৱার্ল্ড কপ লৌবদা চাউনা শরুক য়াখিবা অমদি জর্ম্মনিদা পাঙথোকখিবা ২০০৬ কি ৱার্ল্ড কপ অদুদা বেষ্ট প্লেয়র তাখিবা জেনিদি জিদাননি।

লৈবাক অসিনা ৱার্ল্ড কপ শরুক য়াবসি ইহান হান্না পাঙথোকখিবা ইং ১৯৩০ গী ৱার্ল্ড কপ অদুদগী হৌরগা হন্দক্কি অসি ফাওবদা শরুক য়ারি। মরক্তা ৱার্ল্ড কপ শরুক য়াদবা কয়া অমসু লৈখি। ফ্রেন্সনা ইং ১৯৩০, ৩৪, ৩৮, ৫৪, ৫৮, ৬৬, ৭৮, ৮২, ৮৬, ৯৮, ২০০২, ০৬, ১০ অমদি ২০১৪ নি।

মসিগী মনুংদা ফ্রেন্সনা রন্নরস অপ ওইখিবনা জর্ম্মনিদা পাঙথোকপা ইং ২০০৬ কি ৱার্ল্ড কপ অদুদা ইটালিগী মখুত্তা টাইব্রেক্তা ৬–৪ দা মায়থীদুনা রন্নরস অপ তাখিবা অসিসু লৈবাক অসিগী ওইনা ৱার্ল্ড কপকি হিষ্ট্রিদা অচৌবা এচিপমেন্ট অমনি।

লৈবাক অসিনা য়ুরো ইং ২০০৮ অমদি ৱার্ল্ড কপ ২০১০ দা মেটচ অমা ফাওবা মায় পাকপা ঙমদনা গ্রুপ লেভেলদা লৈহৌখি। ইং ২০১২ গী য়ুরো কপ্তা লৈবাক অসিনা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা য়ৌবা ঙমখি। ফিফাগী মখাদা পাঙথোকপা অতোপ্পা কম্পিটিসনশিং খরদা মায় পাকপা ঙমখিবা লৈবাক অমসুনি।

ইং ১৯৮৪ দা পাঙথোকখিবা লোষ্ট এঞ্জেল ওলেম্পিক অদুদা ফ্রেন্সনা ৱিন্নর ওইখি। কোরিয়া অমদি জপাননা য়ুম্ব ওইদুনা ইং ২০০১ দা পাঙথোকখিবা ফিফা কনফিদিরেসন কপ অদুদা ফ্রেন্সনা চেম্পিয়ন ওইখি অমদি ইং ২০০৩ দা ফ্রেন্সতা পাঙথোকপা কনফিদিরেসন কপ অদুদসু ৱিন্নর ওইখি।

ফিফা অন্দর ১৭ ৱার্ল্ড কপ ইং ২০০১ দা ট্রিনিদা এন্দ টোবেকোদা পাঙথোকখিবা অদুদসু চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্বগা লোয়ননা ব্রাজিলগী কেপিটেল সিটি ওইরিবা রিও দি জানেরোদা পাঙথোকখিবা ফিফা বিচ সোক্কর ৱার্ল্ড কপ অদুদসু ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

ইং ১৯৩০ দগী হৌনা ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়ারকখ্রবা ফ্রেন্সকি টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা ওইনদি ইং ১৯৯৮ গী ৱার্ল্ড কপ অসিনি। মাইকেল প্লাটিনিনা য়াম্না মমিং লৈনা ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়ারিঙৈ মতম হায়বদি ইং ১৯৮২ অমদি ১৯৮৬ অসিদা টিম অসি ৱার্ল্ড কপকি হিষ্ট্রিদা সেমি ফাইনেল ষ্টেজ ফাওবা চনখি।

মতম অসিদগী হৌনা জেনিদি জিদান টেম্পো অমা ৱার্ল্ড কপ্তা শাগৎপা হৌখি। ইং ২০০৬ কি ৱার্ল্ড কপ অদুদা ফ্রেন্স গ্রুপ জিদা স্বিজরলেন্দ, সাউথ কোরিয়া অমদি টোগোগা লৈমিন্নবগা লোয়ননা পোইন্ট ৫ ফংদুনা গ্রুপকি সেকেন্দ তাদুনা সেকেন্দ রাউন্দ চঙখি। মথং মথং চঙলকপনা ফাইনেল য়ৌখি অমদি ফাইনেলদা ইটালিগী মখুত্তা মায়থীবা নঙখি।

মমাঙগী ৱার্ল্ড কপ অদুদা লৈবাক অসি গ্রুপ ষ্টেজটগী হেন্না লানবা ঙমখিদে। হন্দক্কি ৱার্ল্ড কপ অসিদা মরু ওইবা শান্নরোই ওইগদবশিং অসিগী মনুংদা ফোরৱার্দতা ফ্রেঙ্ক রিবেরি, করিম বেঞ্জিমা অমদি ওলিভর গিরোন অফবা প্লেয়রনি। মখোয়না গোল চনবদা মীৎয়েং থম্বা শান্নরোইশিংনি।



# দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সরাপোভানা হন্দকসু চেম্পিয়ন ওইখ্রে



*ষ্টুটগার্ট, জর্ম্মনি, এপ্রিল ২৮ঃ*

মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন ওইরিবা রুসিয়াগী মারিয়া সরাপোভানা মহাক্কী লম্বা অনা ইবানোভিকপু মায়থীবা পীবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমলকশুবা ওইনা চেম্পিয়প ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা রুসিয়াগী শান্নরোই অমা ওইরিবী মারিয়া সরাপোভানা ইবানোভিকপু মায়থীবা পীবা ঙম্বগা লোয়ননা সেট পোইন্ট ৩–৬, ৬–৪, ৬–১ দা থোইদুনা মায় পাকপা ঙমখি।

মহাক্কা ফাইনেলদা শান্নরিবা শান্নরোই অসিনা সেমি ফাইনেলদা জেরিনা জিনকোভিকপু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি। ফাইনেল অদুগী অহানবা সেটতা রুসিয়াগী শান্নরোই অসিবু অনা ইবানোভিকনা মায়থীবা পীখি।

ফার্ষ্ট সেট অদুদা মায়থীবা নঙহৌরবী সরাপোভানা অনীশুবা সেট অদু শান্নবা হৌরকপদা য়াম্না চেকশিন্না শান্নবগা লোয়ননা মহাক্না গেম অহুম মায় পাকপা মতমদা অনানা শুপ্নগী গেম অমা খক মায় পাকখি।

সেকেন্দ সেট অদুদা সরাপোভানা অনাবু গেম ৬–৪ দা মায়থীবা পীদুনা শান্নরোই অনীমক্না সেট অমমম মায় পাকপা ঙম্নখি। অরোইবা ওইনা শান্নখিবা দিফেন্দিং সেট অদুদা সরাপোভানা সবানোভিককি সার্ভিস অনী ব্রেক পীবগা লোয়ননা সেট অদুবু ৬–১ দা চাউনা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

অরোইবা সেট অদুগী অহানবা গেম অদুদা অনা ইবানোভিকনা য়াম্না চাউনা মায় পাকপা ঙমখ্রগসু মখা তাবা গেমশিংদা সরাপোভানা মথং মথং মায় পাকপগা লোয়ননা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই টুর্নামেন্ট অসিদা রুসিয়াগী শান্নরোই অসিনা হন্দক্কি চহী অসি থারগা লেপ্পা লৈতনা চহী অহুম থংনা থংননা চেম্পিয়ন লৌবা অহানবা শান্নরোই ওইরি। মহাক্না টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখিবসি ইং ২০১২, ১৩ অমদি হন্দক্কি।

# মিরজা অমদি কারা ব্লেক ষ্টুটগার্ট চেম্পিয়ন্সিপ্তা রন্নরস অপ তাহৌরে

*ষ্টুটগার্ট, জর্ম্মনি, এপ্রিল ২৮ঃ*

ইন্দিয়াগী সানিয়া মিরজানা চহী অসিগী ওইনা অহাবা টাইটল লৌনবা মতম কুইনা ঙাইরক্লবা মতুংদা জর্ম্মনিদা পাঙথোক্লিবা ক্লে কোর্টকি ইভেন্ট অমা ওইরিবা ষ্টুটগার্ট টেনিস টুর্নামেন্টদা ইটালিগী শান্নরোই সরা ইর্নি অমদি মহাক্কী পার্থনর রোবের্টো ভেন্সিগী মখুত্তা মায়থীবা নঙহৌবগা লোয়ননা ইন্দোর জিম্বাওৱেগী টিম অসিনা রন্নরস অপ ফংখিবনি।

ইন্দো জিম্বাওৱেগী টিম অসিনা হন্দক্কি সিজন অসিদা অহানবা ওইনা ফাইনেল চঙখিবসি মমাঙগী থাদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ন ৱেলসতনি। মদুদসু সনিয়া অমদি কারা ব্লেকনা রন্নরস অপ তাখি।

শান্নরোই অনী অসিনা হন্দক্কি জর্ম্মনিদা পাঙথোক্লিবা ষ্টুটগার্ট চেম্পিয়ন অসিদা ফাইনেল চঙবদা চেম্পিয়ন ওইগনি হায়না চাউনা আশা তৌখি।

মখোয়বু ইটালিগী সরা ইর্নি অমদি রোবার্ট ভেন্সিনা ৬–২, ৬–৩ দা মায়থীবা পীখিবনি। মসিদা চাওরাক্লা পুং ১.১০ চঙখি।



ক্লে কোর্টতা শান্নখিবা টেনিস টুর্নামেন্ট অসিদা সানিয়া অমদি কারা ব্লেককি টিম অসিনা য়াম্না নীংথিনা শান্নবা হৌখি। অদুমওইনমক অহানবা সেট অদুদা মখোয় অনী ইটালিগী শান্নরোইশিংগী মখুত্তা ৬–২ দা মায়থীবা নঙখিবনি।

অনীশুবা সেট অদুসু শান্নরোই অনী অসিনা য়াম্না নীংথিনা শান্নবা শেম শাখি। অদুবু সেট অদুসু ইটালিগী দবলস টিম অসিনা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীবা ঙমখি। মখোয় অনীনা হন্দক্কি প্লে কোর্ট অসিদা চাউনা মায় পাকপা ঙমখিবা অমা ওইরে হায়না খনখিদে। চহী অসিগী ওইনা অহানবা টাইটল লৌগনি হায়না পারম্বা ইন্দো জিম্বাওৱে টিম অসি রন্নরস অপ অনীরক তাখি। মসিগী মরমদি মখোয়গী ওপনিং সেটশিং অদুদা সার্ভিসতা অনীরক হন্না মায়থীবা নঙখিবা অসিননি। ক্লে কোর্টতা পাঙথোকপা মথংগী টুর্নামেন্ট ফ্রেন্স ওপন অসিদা শরুক য়াগনি হায়রি।

# ইন্দিয়াগী নুপী টিম স্কোটলেন্দগী চেম্পিয়ন চেলেঞ্জর ৱানদা কোরিয়াগী মখুত্তা য়াম্না চাউনা মায়থীখ্রে

*গ্লাসগ্রো, এপ্রিল ২৮ঃ*

মফম অসিদা চত্থরিবা চেম্পিয়ন চেলেঞ্জ ৱানগী ওইনা অহৌবা মেটচতা আশা চাউনা তৌরম্বা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিম কোরিয়াগী মখুত্তা গোল ৪–২ দা মায়থীবা নঙখ্রে।

টিম অসিগী কোচনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়া অসি য়ুরোপিয়ন টুর অদুদা আইলেন্দগা মেটচ অহুম শান্নবদা মায় পাকপা ঙমখিবা অসিনা পাঙথোক্লিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স অমা উরগনি হায়না ফোঙদোকখিবা অদুগী ওন্না তৈনবদা পুল এগী অহানবা ওইনা শান্নখিবা মেটচতা ইন্দিয়া কোরিয়াগী মখুত্তা গোল ৪–২ দা মায়থীবা নঙহৌখিবনি।

মেটচ অদুগী ১২ শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই বন্দনা কটারিয়ানা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা মেটচ অদুগী অহানবা গোল ওইবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী ওইনা গোলগী একাউন্দ হাংদোকখি।

গোল অমা মায়থীবা নঙলবা কোরিয়ানা পোরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা হোৎনবগা লোয়ননা মেটচ অদুগী ১৪ শুবা মিনিটতা কোরিয়াগী মিহায়ুন পার্কনা গোল অমা চন্দুনা ইক্যুইলাজ তৌবা ঙমখি।



লৈবাক অনীমক্না পাঞ্জল অমমম চন্নরবা মতুংদা কোরিয়ানা বোল পায়দুনা মখা তাবা পাঞ্জল চনশিন্নবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা অকনবা এটেক চত্থখি। লোয়ননা কোরিয়াগী শান্নরোইশিংনা ২৪ শুবা অমদি ২৫ শুবা মিনিটতা ফিল্ড গোল অমমমগা চন্দুনা অহানবা হাল্ফকি মতম লোইবা ফাওবদা ইন্দিয়াবু ৩–১ দা দাউন্দ তৌদুনা থমখি।

সেকেন্দ হাল্ফ হৌদুনা লৈবাক অনীনা মখা তানা শান্নরকখি। অনীশুবা হাল্ফকি শরুক্তা ইন্দিয়াগী নুপী শান্নরোইশিংনা গোল চন্নবা কন্না হোৎনখি অদুবু ৪২ শুবা মিটিনতা গোল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। ফংলিবা খুদোংচাবা অদু পেনালটি কোনরদনি অদুবু পেনালটি কোনর অদু গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

মেটচ অদুগী ৬৯ শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অমা ওইরিবী পুনম রাণীনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা ইন্দিয়াগী পাঞ্জল ২ শুহনখি। অদুবু মতম লোইখিবনা হান্দুনা পোরিবা পাঞ্জল অনী অদু হন্দোকপা ঙমদনা কোরিয়াগী মখুত্তা মায়থীবা নঙখিবনি। টিম অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসি অথেংবদা স্কোটলেন্দগা শান্নগনি মসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা কন্না হোৎনগনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

## পুনম রাণী অমদি চনচননা ইন্টর্নেসনেলগী মেটচ ১০০ শান্নবগী নুঙাইবা ফোঙদোকখ্রে

*গ্লাসগ্রো, এপ্রিল ২৮ঃ*

স্কোটলেন্দগী গ্লাসগ্রোরদা চত্থরিবা চেম্পিয়ন চেলেঞ্জ ৱান অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনী হায়বদি পুনম রাণী অমদি চনচন দেবী অনীনা মখোয়গী ইন্টর্নেসনেলগী ওইবা মেটচ ১০০ শুবগী হরাও তয়াম্বা ওকপগী থৌরম অমা ইন্দিয়া অমদি কোরিয়া শান্নদ্রিঙৈগী মমাঙদা পাঙথোকখ্রে।

শান্নরোই অনী অসিগী ওইনা মখোয় মখোয়গী ১০০ শুবা ইন্টর্নেসনেল মেটচ অসি পুনম রাণীগী ওইনদি য়ুরোপিয়ন টুর অসিদা মমাঙগী চায়োলদা আইলেন্দগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা মপুং ফাখিবনি। অদুগা চনচন দেবীগীনা ঙরাং শান্নখিবা কোরিয়া অমদি ইন্দিয়াগী মেটচ অদুদা ১০০ শুবা মেটচ অসি মপুং ফাখিবনি।



হারিয়ানাগী হিসারদা পোকখিবা পুনম রাণীনা অহানবা ওইনা ইন্টর্নেসনেলগী মেটচ শান্নখিবসি ইং ২০০৯ দনি। মসিদগী হৌরগা এফ আই ঐচ জুনিয়র ৱার্ল্ড কপ য়ু এস এদা চহী অদুদা পাঙথোকপা অদুদসু শরুক য়াখি।

ইং ২০১০ দা পাঙথোকখিবা টেষ্ট মেটচ খরদা শরুক য়াখি। মতম অদুদা শান্নখিবা লৈবাকশিং অদুদি জপান, চাইনা অমদি ন্যুজিলেন্দনি। মসিগী মথংদা কোরিয়াদা পাঙথোকপা এসিয়ন ট্রোফিতা শরুক য়াখি। আজেন্টিনাদা পাঙথোকপা এই আই ঐচ ৱার্ল্ডঁ কপ, দিল্লিদা পাঙথোকপা কম্মনৱেলথ গেমস, চহী অদুদা পাঙথোকপা এসিয়ন গেমস কয়াদা শরুক য়াখি। মসিগুম্বা মেটচ কয়া অসি য়াওরগা পুনম রাণীনা ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্ট তৌদুনা লেপ্পা লৈতনা শরুক য়ারকখি।

জর্ম্মনিদা ইং ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা এফ আই ঐচ জুনিয়র ৱার্ল্ড কপ অদুদা শরুক য়াবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী টিম্না ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা অদুদসু পুনম রাণী শরুক য়াখি। মসিগী মথংদা জপানদা পাঙথোকপা অহুমশুবা এসিয়ন চেম্পিয়ন্সিপ ট্রোফি অদুদা ইন্দিয়ানা সিলভর মেদল ফংলকখিবা অদুদসু পুনম রাণী ইন্দিয়া টিমদা রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াখিবা প্লেয়র অমনি।

মণিপুরদা পোকখিবা চনচন দেবীসু ইং ২০০৯ দগী হৌনা থাইলেন্দদা পাঙথোকখিবা ৭শুবা এসিয়ন কপ অদুদগী হৌনা ইন্টর্নেসনেলগী মেটচ শান্নবা হৌখি। মসিগী মথংদা চহী অদুমক্তদা রুসিয়াদা পাঙথোকখিবা এফ আই ঐচ চেম্পিয়ন চেলেঞ্জ অদুদসু শরুক য়াখি। ইং ২০১০ দা পাঙথোকপা কোরিয়াগী চেম্পিয়ন ট্রোফি অদুদসু চনচন শরুক য়াবগা লোয়ননা এফ আই ঐচ ৱার্ল্ড কপ আর্জেন্টিনাদা পাঙথোকখিবা অদুদা শরুক য়াখি।

চনচন দেবীনা লেপ্পা লৈতনা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াদুনা ইন্টর্নেসনেলগী ওইবা মেটচ কয়া শরুক য়াদুনা শান্নরকখি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা ইং ২০১০ দা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ানা য়ুম্ব ওইখিবা কম্মনৱেলথ জেমস অদুদা ইন্দিয়া টিমগী প্লেয়র অমা ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা চহী অদুমক্তদা চাইনানা য়ুম্ব ওইদুনা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমস অদুগী হোকিগী টিমদা শান্নরোই অমা ওইনা শরুক য়াখি।

মমাঙ চহী ইং ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড লীগ রাউন্দ টু হায়না মিংথেংন্দুনা ইন্দিয়াগী কেপিটেল সিটি ওইরিবা দিল্লিদা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুদসু ইন্দিয়া টিমগী শান্নরোই অমা ওইনা চনচন য়াওখি।

মসিগী মতুংদা রোট্রে গ্রাউন্দদা চহী অদুমক্তদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড লীগ রাউন্দ থ্রি অদুদসু ইন্দিয়াগী শান্নরোই অমা ওইনা শরুক য়াখি। চহী অদুমক্তদা মালেসিয়ানা য়ুম্ব ওইদুনা পাঙথোকখিবা এসিয়ন কপ অদুদা ইন্দিয়ানা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা অদুদসু চনচন দেবী ইন্দিয়াগী হোকি টিমদা শরুক য়াখি।

লোয়ননা জপানদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন চেম্পিয়ন ট্রোফি অদুদা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা হন্দক্কি চেম্পিয়ন চেলেঞ্জ ১ অসিগী অহৌবা মেটচ অসিদা মহাক্কী ১০০ শুবা ইন্টর্নেসনেল মেটচকি পালন অসি পাঙথোকখিবনি।